# তরামাথোইশুবা মেগা মরাথোন ২০১৭

—লৈশাংথেম অজিৎ—



**'মেগা মরাথোন'** হায়না লৈবাক মীয়াম্না অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা লমজেলনি হায়না খঙনরিবা কুমজা ২০০৭তগী য়ুনাইটেদ পিলস ফ্রন্টনা লমদম অসিগী মীওইশিংবু মশা-মউ ফবা তিঞ্জং কাইজংদনা, অনা অয়েক য়াওদনা লৈনবগী পান্দমদা অমদি মতিক মগুন লৈবা মালেমগী মমিং লৈরবা লমজেল্লোয়শিংবু লম্বা তৌনবা ঙম্নবা ইথিল অমা পীবগা লোয়ননা হৌরক্লিবা লমজেল্লোয়শিংবু মপূক্লিং থৌগৎনবা লেপ্পা লৈতনা চহীগী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা লমজেল অসি চহী অসিগী ওইনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎ (তাং ২৪) কী অয়ূক্তা খুমন লম্পাক্কী হোকি ষ্টেদিয়মগী চঙফমদগী লমথারবা মতুংদা মহৌশাগুম্না দিঙ্কু রোদতা নোংচুপ পাঙনা চেল্লগা খোঙনাং কারক্তা ইম্ফাল দিমাপুর রোদ লাম্থোক্লগা থাংমৈবন্দ য়ৌরগা দি এম কোলেজগী মনিংগী লম্বী নাগামপালদা মথং মথং চেন্দুনা রিমস রোদকী লম্বী (শ্রীনিত্যান্দ লম্বী) দা হাইজিন্দুনা কোম্বীরৈ কৈথেল ফাওবা চেল্লগা উরিপোক তাবা লম্বী ফাওরগা উরিপোক লম্বীদা নাওরেমথোং ফাওবা চেন্থদুনা থোং অসি লাম্থোক্লগা তেরা কৈথেলদা লৈবা চেক পোইন্ট লাম্থোক্তুনা সাপম লৈরক ফাওরগা ক্বাকৈথেল য়ৌগনি। মফম অসিদগী পিশুম থোং লাম্থোক্লগা চীংঙাগী মখা থংবা নাকন্দা চেন্দুনা শিংজমৈ থোং ফাওবা চেল্লবা মতুংদা কোংবা কৈথেল, ৱাংখৈ লম্বীদা চেন্দুনা থঙ্গালগী শক্তম লৈরিবা মফম ফাওবা, মথংদা লমলোং কৈথেল, খুমন লম্পাক অমসুং অরোইবা মেন ষ্টেদিয়মদা চঙলক্তুনা মিটর ৪০০ শাংবা ত্রেক অদু অমুক্তং কোয়না চেল্লবা মতুংদা লমথুংফম ওই। অরাপ্পদি (অশাংবদি) কিলোমিটর ২১ গা মিটর ৯৬নি।

চহী অসিগী ওইনা লমজেল থাবগী মতম লমজেল্লোইশিংদা খঙহনবগী মতুং ইন্না লমজেল্লোয়শিং অশিল অরাংশিং, টেক্নিকেল ওফিসিয়েলশিং, মেদিয়াগী পার্সনেলশিংনা মতম চানা শেম শাদুনা লৈরবসু চীফ গেষ্ট ওইবিদুনা লমজেল থাবিগনি হায়বদি ফ্লেগ ওফ তৌবিগনি হায়না অয়াবা পীবিরকখ্রবা স্পোর্টসকী মিনিষ্টর (মন্ত্রি) থুংলবা ঙায়নবদা মতম হৌখিদুনা নুংশা শাগৎলক্তুনা মতম খরা লমথাফমদা লমজেল্লোয়শিং অদু নুংশাগী মৈশা খাঙহনখিবা অদু অশিল অরাং ওইরিবশিংগী থম্মোয়দা নুংঙাইখিদে। মমৈথংদা মশানা অয়াবা পীরকখিবা মন্ত্রি অদু দেল্লিদা চৎখ্রে হায়রকপদগী অশিল অরাং তৌরিবশিংগী মরক্তগী মীয়াম্না শান্নবগী লমদা ইকায়খুম্নরিবা রাজকুমার রনেন্দ্র সিংহদা হায়জদুনা লমজেল অসিবু লমথাহনখি।

হৌজিক শান্ন-খোৎনবগী থৌরম পায়বীরিবা মন্ত্রি লেটপাউ হাওকিপ শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওরবসু কুমজা ২০০৭তগী পাঙথোক্তুনা অৱাং নোংপোক্কী খ্বাইদগী চাউবা লমজেল অমা ওইরিবা অমদি ইন্দিয়া শিনবা থুংনা শকখঙলবা লমজেল অসিবু কয়া থৌওইবিদবা অসি নুংঙাইতে। লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইবিরিবা শ্রী নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইবিরিঙৈদা কুমজা ২০০৮গী অনীশুবা মেগা মরাথোন্দা মতম চানা লেংবিরক্তুনা লমজেল অসিবু লমথাবিখি অমদি মনা মথুম য়েনবগী থৌরমদসু মতম চানা য়ৌবিরক্তুনা লৈবাক মীয়ামগী পূক্লিং থৌগৎপীখি। অনৌবা স্পোর্টস মন্ত্রিসু লৈবাক মীয়ামদা স্পোর্টস পামজবা, স্পোর্টস য়োকখৎপা পাম্বা লৈবাক্কী লুচিংবা অমনি হায়বা উৎহন্নীংই। ওলেম্পিক্কী শিলভর মেদল অমা কুমজা ২০০৪গী এথেন্স ওলেম্পিক্তা নোংমৈ কাপ্পগী থৌরম 'দবল ত্রেপ্তা' ফংখিবা মেজর রাজয়াভরধন রাথোরনা হন্দক্তা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইখিবদা শান্ন-খোৎনবগী হীরমদা চাওখৎনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলকই হায়বা ঐখোয় পূম্বনা খঙনরবা ৱাফম ওইরি। মণিপুরগী স্পোর্টস মিনিষ্টরসু মহাক্কুম্না তৌহন্নীংই।

কুমজা ২০০৭তা অহানবা ওইনা লমজেল অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা লূপ অসিগী মেম্বরশিং অমদি লমজেল অসিবু অশিন অরাং তৌবিখিবা কম্মিটি অদুনা হীরম কয়াদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লখিবা খুমন লম্পাক্তা অহিং য়ারেক্তুনা নোঙাল্লমদাইদা হৌগৎতুনা লমজেল্লোইশিংনা শরুক য়ানবা থুংলবশিং অদুগী থবাক্তা খেন্নবা এথলেট নম্বর য়েন্থোকপা, মখোয়গী লিংনবা মোজা ফুরিৎ য়েন্থোকপা, এথলেটশিংগী মতুং ইন্নবা হায়নখিবা গাড়ীশিং মতম চানা য়ৌবীরক্তবা, মেদিকেল ষ্টাফ লাকপা ঙাইবনচিংবা কয়া অসিনা থৌদোক খুদিংগী অনৌবা লৌশিং ফংদুনা চহী ১০ মপূং ফানা থৌরম অসি শিনবগী এক্সপরিয়েন্স অদু চপ চানা য়ুনাইটেদ পিপল ফ্রন্টকী মেম্বরশিংদা লৈজরে। মখোয়না থবক অসি থৌনা ফনা নিংথিনা শিনবা ঙমজরে অদুবু লমজেল অসিবু হেন্না থাক ৱাংখৎনবা মখোয়গী অচৌবা শেনফম অমদি দরকার ওইরি। মসিগীদমক লৈঙাকপশিং অমদি কোর্পোরেট হাওসশিংগী মতেং য়াম্না দরকার ওইরি। কুমজা ২০০৭তা পাঙথোকখিবা অহানবা লমজেলদা নুনা ৩৬৮, নুপী ১১৬ খক্তমক শরুক য়াখি। মদুদা থৌবাল লৈশাংথেমদগী লোংজম নবচন্দ্রনা মকোক, খুন্দ্রাকপমদগী হাওবম সনাজাওবনা অনীশুবা, লিলোং লৈহাওখোংদগী মোহমদ হাবির অহমদনা অহুমশুবা মনা ফংখি অমদি থোকচোম পসোৎলৈমা দেবী অচানবীগৈ, ইন্দিয়াগী মরাথোন্দা মকোক তাদুনা অহানবা মনা ফংলুরবী, সগোলশেম প্রেমিলা, য়াইরিপোক অমসুং ককচীং তুরেল ৱাংমদগী ক্ষেত্রিময়ূম রোমিকানা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা ফংখি।

চহী অদুদগী লেপ্পা লৈতনা চহীগী ওইনা চত্থরকপা থৌরম অসি চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা নুপাগীদা লৈথাংবম রঞ্জন পুনেদা থবক তৌবা মণিপুরী মচা অমনা মকোক ওইখি। নুপীগী কাঙলুপ্তা লুৱাংশংবমদা লৈবী নোংথোম্বম চাওবী দেবীনা মকোক ওইদুনা মকোক ওইখিবা অনীমক লুপা লিশীং ৪০/৪০ শেলগী মনা ওইনা ফংখি। নুপাগীদা সোমোং রমন, উখ্রুলগী ফালি খুলদগীনা অনীশুবা অমদি খুন্দ্রাকপমদগী খুন্দোংবম রোমাজিৎনা অহুমশুবা তাদুনা মথংশিংনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩০ অমদি লিশীং ২০ ফংখি। শেনফম অসিগা চপ মান্ননা নুপীগী অনীশুবা তাখিবী কোন্সম বেবীচা দেবী, মণিপুর পুলিস অমসুং লিলোংগী অজিমা, অহুমশুবা তাখিবীদা লুপা লিশীং ৩০ অমদি লিশীং ২০ মথংশিংনা খূৎশিন্নখি। অশিল অরাং তৌরিবশিংনা কাঙলুপ অনীমক্তা শরুক য়ারিবা লমজেল্লোইশিংগী মরক্তা ১৫শুবা ফাওবগী পোজিসন ফংবশিংদসু লুপা লিশীং অহুম/অহুম মনা ওইনা খুদোল তমখি। মসিগী মথক্তা শিনবী-লাংবিরিবশিং অসিগী মায়কৈদগী সার্টিফিকেট ওফ মেরিট, শকখঙচেশিং শীন্নবিখি। লমদম অসিগী পুকচেল চাওবা পুকচেল চাওবীশিংনা কৎলকপা শেনফমশিংগী মতেংনা অমদি মতিক চারবা মীওই কয়ানা লিংখৎচবা স্কুল, কোলেজ, হোস্পিটাল, লল্লোন ইতিক তৌফমশিংগা মরী লৈনবশিংনা য়াম্লবা শেনফমশিং কৎপীরকপদগী অসুক চাওখ্রবা য়াম্লবা শেনফম অসিনা ানিবা ঙমজখিবনি। মখোয়গীসু লমজেল অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মফম অমা কন্দুনা লৈরি।

হৌখিবা চহী লিশীং অসিদা নুপাগী মকোক তাবা লমজেল্লোইদা মনা ওইনা পীবিনবা লিশীং ৪০ লৈখিদ্রবা মচা ইবুংঙো মাষ্টর ওফ টেক্নোলোজিগী দিগ্রি ফংদুনা থবক অমা পায়রল্লবা অমদি লমদম অসিগী মমিং লৈবা পোলো শান্নরোয় ওইরম্বা জয়দিপ গুরুময়ূমগী মমিংদা হান্না মণিপুর সোসিয়েল ৱেলফ্যের বোর্দকী চ্যেরপার্সন ওইবিরম্বী রাজকুমারি নয়নসনা দেবীনা কৎপীরকপা অসি তমজনীংঙাই ওই। মথং তারকপদা শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায়দগী হুইদ্রোম ইবোমচা সিংহ, শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদগী ওইনাম রোমেন সিংহনসু চহী খুদিংগী লৈখিদ্রবা অপোকপগী মমীংদা অনীশুবা অমদি অহুমশুবগী পোজিসন তাখিবদা শেলগী মনা পীবিদুনা লাকখি।

মখা তারকপদা নুপীগী অহানবা তারকপীদা লৈখিদ্রবা মচা ইবুংঙো নোংমাইথেম কোরৌহনবগী মমিংদা লুপা লিশীং নিফু খুদোল তৌখিবা চীফ এঞ্জিনিয়র ওইবিরিবা নোংমাইথেম নোরেন সিংহ, অনীশুবা মনা কৎপীখিবী ব্লোসম স্কুলগী মপূ ওইবীরিবী অমদি অহুমশুবা মনা কৎপীরিবা এম লোকেন্দ্রো সিংহবু লৈবাক মীয়াম্না ইকায়খুম্নফম থোকই।

লমজেল অসিবু শিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা টেক্নিকেল ওফিসিএলশিংবু শিঞ্জ-লাংজরিবশিংগী মায়কৈদগী হন্না হন্না থাগৎপীরকখি। অরোইবগী থৌরমদা লমদম অসিগী ইকায়খুম্নজরিবা মন্ত্রি থৌনাওজম শ্যামকুমারনা পূক্লিং থৌগৎপা পাউতাক কয়ামরুম পীবিরম্বগা লোয়ননা লুপা লাক্ষ অমা অশিল অরাং তৌরিবশিংদা দান তৌবিরম্মী। য়াম্লবা শেনফম অদু খুদক্তা খূৎশিন্নবীরম্বগা লোয়ননা তিল্লিবা মীয়াম্না মহাক্কী ৱা ঙাঙবদা মহাক্না শান্নবদা থৱায় হকচাং য়াওনা পূক্লিং চঙলকখিবশিং অদুবু থাগৎনখি। শিল্লি-লাংলিবা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট সোরাইসম রতনকুমার, থৌরম অসিগী প্রসিদেন্ট অমদি লূপ অসিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট খোমদ্রাম রতন অমদি এল অজিৎ সিংহনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা লমজেল অসিগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া থমখি। শিল্লি-লাংলিবা লূপ অসিনা চহী অসিদা লমজেল্লোয় ১৭০০না শরুক য়ারিবা অসি মথং চহীদা লমজেল্লোয় লিশীং মঙারোম শরুক য়াবা ঙমহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং চঙই।

# শান্ন-খোৎনবা অমদি লাইরিক লাইশু

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-





মতম অমদা করম্না ইগজামদা মার্ক য়াম্না ফংগদগে হায়বখক্তা মহৈরোয়শিংনা খনবগী মতমদো ঙসিদি হৌখ্রে। অখঙ অহৈশিংনা অমদি রিছার্স সাইন্টিষ্টশিংনা কন্না হোৎনদুনা থিজিন খোমজিন্দুনা ফংলকপা মহয় ওইনা হান্নগী কান্নরম্বা ৱাখল্লোন ঙসিদি লাল্লে হায়বসি হৌজিক হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা ওইরিবা তৌরিবা অমদি চৎনরিবা ময়াম অসিদগী উবা ঙল্লে।

মতম অমদা মমা মপা অমদি লৈকায়গী অহল লমনশিংনা মখোয় মখোয়গী অঙাংশিংদা হায়নরম্বা 'লাইরিক লাইশু নিংথিনা পাগেদি হায়দদনা শান্নদুনা শুম লৈ, করিবু কান্নগদৌরিবনো, শান্নবদুনা হিংবা য়াগদৌরিব্রা, লাইরিক পাউনে' হায়বনচিংবা হায়রম্বদু ঙসিদি লাল্লে হায়বসি খঙবা ঙল্লে। অদুবু থায়নগী ৱাখল্লোন অদু অসুম হায়দবসু নত্তে, মরুওইনা চাওখৎপা ৱাৎলিবা, অনৌবা পাউ ফংদবা মফমশিংদদি।

হৌজিক চাওখৎলবা মালেমগী মফম কয়াদা হান্নগী চৎনবী লাইরিক লাইসু তম্বা খক্তদা মায় ওনশিল্লম্বা অদু লোইখ্রে। লাইরিক লাইসু খক্তদা মায় ওনশিনবগী মহুত্তা শান্ন-খোৎনবদসু চপ চানা মায় ওনশিল্লে। মদুগী তশেং তশেংবা খুদমদি চাওখৎলবা মালেমগী মহৈশঙশিংদা লাইরিক্তা নত্তনা শান্ন-খোৎনবসু তমদবা য়াদ্রবা হীরম (কম্পলসরি সবজেক্ট) ওইনা তম্নরে। মসিগী শান্ন-খোৎনবগী হীরম অসিবু 'ফিজিকেল এদ্যুকেসন' হায়না কৌনরি। য়াম্না লাপ্না য়েংলুদ্রবসু, এসিয়াদা লৈবা লৈবাকশিং হায়বদি চিনা, টাইৱান, জপান, কোরিয়া, সিঙ্গাপোর অমদি হোং কোংনচিংবা লৈবাকশিং অসিদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনবু কম্পলসরি সবজেক্ট ওইনা তম্বগী শক্তম ময়েক শেংনা উবা ঙল্লে।

হায়রিবা নোংপোক্কী লৈবাকশিং অসিদা ইলিমেন্টরি ক্লাসতগীনা সেনিয়র ক্লাস (ক্লাস টুয়েল্ব) ফাওবদি চয়োল অমদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ক্লাস অসি য়ামদ্রবদা অনীদগী তাদনা থমদুনা শোয়দনা লৌদ্রবা য়াদ্রবা সবজেক্ট ওইনা থল্লি। মসিগী পান্দমদি নৌরিবা অমদি চাওখৎলক্লিবা, ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিং অমদি নহারোলশিংবু মশা-মউ ফবা মহৈরোয় অমা ওইনা লৈনবনি। হায়রিবা চয়োল অমদা অনীরক অহুম্লক ক্লাস থল্লিবশিং অসিদি জেনরেল এদ্যুকেসনল ইনষ্টিট্যুটশিংগী ৱানি। স্পোর্টস অমদি ফিজিকেলগী ওইবা এদ্যুকেসনল ইনষ্টিট্যুটশিংদদি য়াম্না ৱাংনা, তোয়না থমদুনা মহৈরোয়শিংবু মশা-মউ ফনা থম্বতা নত্তনা তুংগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্স ওইনবা শেল্লি। মদুগী খ্বাইদগী অরিবা খুদমদি য়ূমথংনরিবা চিনাদা য়েংবিয়ু।

অদুবু লাইবক থীবদি ঐখোয়গী ইরমদমদদি হৌজিক ফাওবা মমা মপা, অহল লমন অয়াম্বনা মচাশিং, মশুশিংবু শান্ন-খোৎনবদগী লাপ্না থম্নবা হোৎনরি, লাইরিক লাইশু নিংথিনা তম্বতনা নুংঙাইনা হিংনবগী লম্বীনি খন্দুনা। অদুগা গভর্ণমেন্টনসু নৌরিবা মহৈরোয়শিং অমদি শান্নরোয়শিং অসিনা ফংজগদবা মখোয়গী রাইটশিংবু পীবিদে অমদি থৌগৎপীদে। অমরোমদনা ইরমদমগী শান্নরোয় অয়াম্বনা থায়নগী অরানবা ৱাখল্লোনগী মমীদা মখোয় শান্নরোয় ওইরবদি লাইরিক লাইশু নিংথিনা তম্বা ঙল্লরোই, হৈররোই হায়বা য়াম্না সাইন্টিফিক ওইদবা ৱাখল্লোন্না মাংজিংদুনা মখোয়গী মহৈ মশীন তম্বদা থৌশাদে অমদি মমৈদদি লম্মখাংদা লাইরিক তম্বা পুমতোক তোকই। মসিদি লাইবক য়াম্না থীবনি। হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসিনা তোকপগী মরমদি মখোয়না লাইরিক হৈতবগী ৱা নত্তে, মখোয়গী ৱাখল্লোন্না হৈহন্দবনি অমদি তমথবা তোকপনি। মসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না তুংদা মালেমগী ফম্বাক্তা মায় পাক্লকপদা ইন্টরভিয়ুদা, ৱারী ৱাতাই শান্নবদা মখোয়গী ৱাখল্লোন নিংথিনা ফোঙদোকপা ঙমদে, কম্যুনিকেসন গেপ লৈহল্লি, তাবদা নুংঙাইতে।

মরকসিদা হায়জনীংবদি, লাইরিকসু ফজনা তম্বা য়াই, অদুগা মখোয়না শান্নবা স্পোর্টসসু ফজনা শান্নবা ঙমগনি। লাইরিক তম্বখক্তনা লাইরিক হৈবা য়ারোই। লাইরিক হৈগে হায়রবদি শান্ন-খোৎনবসু য়াম্না মরুওই। মহৈশঙ কয়াগী মকোক তাখ্রবা অয়াম্বনা স্পোর্টসপু পামজবা নৎত্রগা শাজেলবু তৌজবা মহৈরোয়শিংনা অয়াম্বনি। মসিগী মরুওইবা মরমদি মখোয় মশা-মউ ফৈ, অয়াম্বা মতমদা হরাউনা লৈ, অশংবা মতমদা লাইরিক লাইশু থৱায় য়াওনা পাবা ঙম্মী, মতম মাঙহন্দে অদুগা ফত্তবা, ঙাওশিন্নবা তৌগন্দে, মখোয় অয়াম্বনা হৌন-লোনচৎ খঙনা চৎলি, অহল লমন অমদি ওজা গুরুশিংনা হায়বা ইল্লি, চাহৈদবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লচিংবা পোৎলম চাদে, থক্তে। অমরোমদনা লাইরিক লাইশুদং তম্বা, শান্ন-খোৎনবা অমদি শাজেল তৌদবা মহৈরোয়শিংদা অমুক য়েংবিয়ু, মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ফত্তবা হৈনবী ময়ামসি মখোয়নদি অয়াম্বা শোক্লমগনি, তৌরমগনি। হোয় তৌদবসু য়াওই অদুবু মশীং য়ামদে।

**শান্ন-খোৎনবা অঙাংশিংনা মহৈদসু মাঙজিল থাবা ঙম্মী:**

রিছার্সকী মতুং ইন্না, শান্ন-খোৎনবা অঙাংশিংনা শান্নদবা অঙাংশিংদগী হেন্না ফজনা লাইরিক লাইশু তম্বদা, ইগজাম অমদি অতোপ্পা এদ্যুকেসনল পার্ফোমেন্সতা মখোয়না হেন্না ফজনা পাঙথোকই। শান্ন-খোৎনবা অসিনা অঙাংশিংবু মহৈ হৈহনবতা নত্তনা লিদরসিপ ক্বালিটিস ময়াম অমসু পীবা অমদি অতোপ্পা মমান্নবশিংগা নীংথিনা লোইনবা ঙম্মী, হেন্না ওপন মাইন্দেদ ওই, মশানা মশাবু থাজবগী চাংসু য়াম্না হেলহল্লি। শান্ন-খোৎনবা অসিনা অঙাংশিং অসিবু হেন্না মশা-মউ খিংনা, হরুনা লৈহল্লি অদুগা মথৌ নিংথিনা থবক তৌই, চাঙ নাই। মসিনা মরম ওইদুনা শান্ন-খোৎনবা অঙাংশিং, মহৈরোয়শিংনা তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায় পাক্লা, মশা-মউ ফনা নুংঙাইনা হিংবা ঙম্মী।

মসিগী ইশম শম্না খুদম পীরবদা, লাপ্না থিরুবগী মরু ওইদে। ইরমদম কংলৈপাক্তা য়াম্না লায়রবা, লাইরিক লাইসু মমিৎনা উজহৌদবা মমা মপা ইমুংদা মচা তরা শুবা ওইনা পোকখিবা, পীল্লবা কংলাতোংবী হায়রিবা খুঙ্গংদা ষণজেন নহা ওইনা চাওরকখিবা, ডা. ঙাংবম শান্তিকুমার মীতৈগী পুন্সিনা তশেং তশেংনা থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা উৎলি। মহাক্না য়াম্না হৈশিংবগী ৱাফমসু নত্তে। মহাক্কী লেপ্পা লৈতনা হোৎনবা কঞ্জবা, মশানা মশাবু থাজবা অমদি পুকচেল শেংজবদুনা দি এম কোলেজদা তম্বা ঙমখি। লোয়ননা ইন্দিয়া টোপ য়ুনিভর্সিটি, জে এন য়ুদগী এম এ, এম ফিল অমদি পি ঐচ দি লোইশিনদুনা ঙসিদি মহাক De Lin University of Technology দা ইংলিস প্রোফেসর ওইনা টাইৱান্দা লৈবতা নত্তনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ কয়াদা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল নিপাল, 2 overall titles, পূন্না ইন্টরনেসনল মেদল ২২ ফংখ্রে। মদুগীসু মথক্তা আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌসু পুরি অমদি নেচরেল বোদি বিল্ডিং হোল ওফ ফেমগী মিংথোল, নবেম্বর ১২গী ২০শুবা নেচরেল ওলেম্পিয়াদা য়ু এস এগী লাস বেগাসদা এৱার্দ ফংদুনা মহাক্কী মমিং মতম চূপ্পগী ওইনা ইদুনা লৈহৌরগনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মীশিং য়ামখৎলিবমখৈ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**পোকমিন্নবা** মচিন-মনাও, মচে-মচলশিং অঙাং ওইরিঙৈদগী য়াম্না নুংশি চান্ননা লোয়নমিন্নরকই। মখোয়না চাক পুখম অমত্তদা চামিন্ননা হিংমিন্নরকই। অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা থকসি-খাসি য়াম্না নাইনা লৈমিন্নরমই। মচে-মচল, মচিন-মনাওশিং অদুনা মপূং মরৈ ফাগৎলক্লবা ফাওবদা ফনা নুংশিননা চান্ননা হিংমিন্নরমই। অদুবু অঙকপনি মীওইবগী পুন্সি মচিন-মনাওশিং অদুনা মতু-মচা লৈরক্লবা মতুংদৈদি অনৌবা মৌগী খুজিলদগী মরৌ লৈনবা হৌনবা য়াওনরকপসু য়াওরকই। মসিদা মৌ পূম্নমক্কী ওইনা হায়জবদি নৎচদে। কনাগুম্বা খরা খরা য়াওনরকপদুগী ৱানি। করিগুম্বা মচিন-মনাও অদুনসু মাগী মাগী নুপী থিনরক্লবদা মচিন-মনাওশিংগী হান্নগী অপূনবা ইমুং অদুদা লৈমিন্নবসু য়ারক্তে, মতমগী মতুং ইন্না চন্ন-চন্নবসু লৈনবা য়ানরক্তে। মচিন-মনাও অমগা অমগা তোঙান্না চান্নবা তারকই। মরম অদুদগী মপা-মমাগী ইঞ্খোল অদু চন্নদবমখৈ তোঙান তোঙানবা য়ূম বিল্ডিং কয়া শান্নরকই। অসুম্না মতৌ অসিনা মরুওইনা মণিপুরগীতা নত্তনা ইন্দিয়াগী অমদি মালেমগী মরুওইবা সহর কয়া কয়া বিল্ডিংনা কৃক-কৃক ইন্নরকই। অমুকসু খুঙ্গংদগী লাইরিক লাইশু হৈরবা কয়া কয়া সহরদা হোংগৎনরকপনা হান্না চিল্লম্বা বিল্ডিং কয়াদগী হেন্না চিন্না মরোইমকা অমা থাফম লৈতনা কৃক কৃক ইন্ননা লৈরকই। মখোয়গী গাড়ী কয়ানা লম্বী সরক থল্লকপা, ফার্ম, ফেক্টরিগী মৈখুশিংগী মথক্তা এঞ্জিন পানবা গাড়ীশিংগী মৈখু অমদি ফত্ত-হৌদিনা ননশিন্নদুনা পৈশিল্লকপনা শ্বর হোন্ননবা নুংশিৎতা অমোৎপা থন্না য়াওরকই। অশংবা উপাল-ৱাপাল ঙম্না তুমহন্নখি। অশংবা উনা ৱানা ফাওবা উরক্তে। পুন্সিদা হিংবদা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ শেংদবা য়াদে, য়াওদবা য়াদে। মসিদা ঈশিংদি অমদগী অমদা খরদা ওইরবসু ফংহন্নবা লৈঙাক্লা শিন্দুনা টোটি ঈশিংদা ক্লোরিন্নচিংবা হাপচিন্দুনা শেংনা ফংহন্নবা হোৎনদুনা ফংননবা লাক্লরি। মৈ হায়বসিসু লৈঙাক্লা হৈশিংনা শিন্দুনা ঙান্ননবা হোৎনরি অমদি মৈদুদা নৎত্রগা গ্যাস অমদি অতোপ্পা মিন্স অমনা থোং-থাক্লবা হোৎনদুনা ঙম্না ঙম্নবা হোৎনরক্লি। অদুবু কদাই ঙসিগী হেনগৎলক্লিবা মীয়াম অমদি হিংনবগী মথৌ তাবা পোৎলম কয়া শীজিন্নরকপদা থোরক্লিবা পোল্যুসন্না নুংশিৎ শেংহনবদি লায়রদুনা হেন্না মোৎহল্লি। সাইন্সনা ফনা চাওখৎতুনসু সিটি কয়া, সহর কয়াদা শিৎলিবা মোৎলবা নুংশিৎশিং অসিদি শেংদোকপা ঙমগনি হায়বসিদি থাজদ্রি। অমরোমদা মীশিং য়ামখৎলকপগী মতুং ইন্না পোল্যুসনসু থোকপগী চাংসু ৱাংখৎলক্কনি। মীওইবগী পুন্সিনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা মৈ, ঈশিং নুংশিৎকী মরক্তা নুংশিৎনা মশেংলক্ত্রবদা মীওই কয়া লায়না কয়ানা নাহন্দুনা অনাবা মখল কয়া মায়োক্নহল্লকপা হায়বসিমদি মতম অয়াম্বদা থেংনরকপা তাবনি, থেংসু থেংনরিবনি।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

**১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :**
**(ক) য়োইশগাই (খ) উরৌরে**

**২। ''চেং লৈতবগী মরম পূম্নমক মঙোন্দা লোইনা তাইনবিরে।'' পরেংসি কুঞ্জমোহনগী 'ইলিশা অমগী মহাও' দগী লৌথোকপনি। মসিদা 'মঙোন্দা' হায়রিসি কনাবুনো?**

**৩। ''য়ু থকউ/গঞ্জা থকউ/কানি চাউ/.../মঙ মংঙু, নুংঙাইনা তূম্মু।'' কবি ইবোমচানা হায়বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।**

**৪। ''অহিং/মৈত্রবাক্কী অথেংবা অহিং/অহিং নঙগী নতম্বাক্তা চুরাম্থাবশিংনা মনীং তন্নি।'' মসিনা 'তায়োন্নরবা অহিং' কৌবা শৈরেং অমদগীনি। নহা ওইরিবী অইবীদু কনানো?**

**৫। কাশিনাথকী নোভেলবু 'বন্ধান থম্লবা রঘু' হায়না হন্দোকপদু কনানো?**

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।